# ষণ হাৎপা থিংলকপা অমসুং মসিগী কান্নবা

আই এস খুন্দোংবম

***মীওইবনা*** নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী ষণবু য়ূমদা য়োক্তুনা লৌউ-শিংউবগী থবক্কা লোয়ননা অতোপ অতোপ্পা কান্নবা হীরম কয়াদসু শীজিন্নদুনা লাকই। শম্না হায়রবদা ঙল্লিঙৈ মতমদা তপ্না তপ্না লাকখিবা মীওইবা ফুরুপকী সভ্যতা অদু ষণ য়াওরমদ্রবদি ওইথোক্লমলোই। ষণনা লৌ খোইবা, ষণগাড়ী চিংবা, উকাই তকপা, কোল্লুদা পুল্লগা থাউ শুম্বা, চু শুম্বা, করিগুম্বা মফমশিংদনা খাওদোক্লবা ফৌ নৎত্রগা গেহুগী মপৈশিংগী মথক্তা ষণবু কোয়না কোয়না চৎহন্দুনা লৌ য়ৈবা অসিনচিংবা থবক কয়াদা শীজিন্নরকই। চুম্নগী থবক শীজিন্নবদা কান্নবদা নত্তনা মাগী মথি-ময়ুং অসিসু লৌবুক্তা, ইঙ্খোলদা চাইথোক্তুনা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং থাবগী খ্বাইদগী ফরবা হার ওইনা শীজিন্নরকই। অদুমকপু মীওইবনা মাগী মাগী লৈফম, অকোয়বগী ফীভম অমদি শিনফমগী মওং খেন্নবগী মতুং ইন্না ষণগী শীজিন্নফম লৈতবা মফমসু লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা অঙম্বা চীংগী চীংমাইদা পামলৌ উবা মতমদা ষণগী চন্নফম লৈতে। তম্পাক্কী লম ওইরফাওবদা লৈহাও লৈতবা লৌউ-শিংউ য়াদবা মফম, লৈঙোই লম মরুভুমীনচিংবদসু ষণগী চন্নফম লৈতে। মরম অদুনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈবা মীওইশিংনা ষণবু চানবা শা ওইনা শীজিন্নে। ঐখোয়গী মণিপুর রাজ্য অসিসু লম্মীৎ তুমিৎকী মতুংইন্না চীং অমসুং তম হায়না অনী থোক্লা খায়দোক্লি। চীংগী লমদদি মফম হোং হোংদুনা পামলৌ উবগী চৎনবী লৈরি। মরম অদুনা মফমশিং অসিদা ষণবু লৌ উবগী থবক্তা শীজিন্নদে। অদুবু তম্পাক্কী লমশিংদদি ষণবু অসুক্কী মতিক শীজিন্নরকই মদুদি ষণ য়াওরমদ্রবদি তম্পাক লমগী লেংদবা লৌউ পথাপ (পার্মিনেন্ট কলটিভেসন) অসি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লম্লোই।

হৌখিবা চহী ৩০ মুকসিগী মনুংদা মণিপুরদা ষণগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক হন্থখিবা ঐখোয়না থেংনরে। মশীং হন্থখিবগা ইরোইননা ষণগী মমল অসিসু অতিয়া পক্লা ৱাংবা হায়বদু ওইরে। ষণ লাবা পাবোৎ অমগী মমল অসি লুপা লিশীং মরিফুদগী লাক্ষ অমা ফাওবা য়ৌবা য়াওরে। ফীভম অসিদদি অপীকপা স্মোল অমসুং মার্জিনেল ফার্মর কাঙলুপকী লৌমীশিংনা ষণ লাবা পাবোৎ অমা লোইবা হায়বসি ওইথোক্তে। ষণ লৈত্রবনিনা ষণথি হায়বদুসু মশক উদ্রে। লৌবুক্তা ইঙ্খোলদা ষণথিগী মহুত্তা রসায়নগী হারনা মহুৎ শিল্লে। মসিগী ফল ওইনা লৈবাক লৈহাও তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লি অমসুং লমদমসিদা মহৌশাদগী ফংবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোংগী মগুণ তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা মহাওসু হন্থরকপগুম তৌরি। ষণগী মহুৎ ত্রেক্টরনা শিনখিবা অসিনা অপীকপা লৌফমদা লৌ উদুনা হিংজবা স্মোল অমসুং মার্জিনেল ফার্মর কাঙলুপকী মীওইশিংনা লৌয়াম চাবা ত্রেক্টর, হার্ভেষ্টর লোইবা ঙম্বা ইনাকখুনবা লৌমীশিংগী মখা পোনবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি খুঙ্গংগী লায়রবা লৌমী শিন্মীশিংগী চহী চুপ্পা থবক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্ট (এম জি এন আর ঈ জি এ) পাস তৌদুনা চহীদা নুমিৎ চাম্মনি থবক শুফম পীনবা হোৎনরি। অদুগা ঐখোয়গী লমদম অসিদনা লায়রবা লৌমীশিংনা বিড়ি মচৈ অমা থক্তুনা লৌরিদা লেপ্পগা ত্রেক্টরনা লৌ খোইবা য়েংলি। মতম অমদা লায়রবা লৌমীশিংনা মশাগী লৌ খোইবা লোইরগা ইনাক খুনবা লৌয়াম চাবশিংগী লৌবুক্তা অমুক শম্পোৎ খোইদুনা পৈশা তান্নরমই। ঙসিনা লৌয়াম চাবা, ত্রেক্টর লোইবশিংনা লায়রবা লৌমীশিংগী লৌবুক্তা ত্রেক্টরনা খোইরগা পৈশা তান্নরি। থৌওং অসিমক্তি অকুৎপদা লৈতৌবা অতোঙবদা লৈথোনবা হায়বা থৌওং অদুমক্লি। মসিগুম্বা ফীভম অসি মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বসি ঐখোয়গী লৈঙাক অমদি লমদমসিদা লৈরিবা লৌউ-শিংউবগী এক্সপার্টশিংনা থোইনা নৈনরুদবগুম তৌরি। রেদিওদা, টি ভিদা লৌ উবগী এক্সপার্টশিংনা লৌ শঙমদা ষণথি টন অদুক হাপকদবনি হায়বনচিংবা পাউজেল পীবা ঐখোয়না তোয়না তারি। অদুবু ষণথিদুগী লাকফম ওইরিবা ষণ লোইবগী চৎনবীনা অসুম অসুম মুৎশিল্লকক্লিবগী মরমদি ঐখোয়না থোইনা খন্নরুদে।

ষণ লোইবগী চৎনবীনা মুৎশিল্লকখিবগী মরম অসি য়াম্না য়াম্মী। অদুবু মরমশিং অদুগী মনুংদগী মরুওইবা খরদি মখাগী অসিনি :-

১) ষণগী শজিক চাফম - শঞ্জাবুং, লম্ন্দাং-তুম্ন্দাং অয়াম্বা খোপচিন্নখিবা অমদি লৌবুক ইঙ্খোলনচিংবা ওন্থোকখিবা।

২) ঙানু-য়েন য়োকপা, ওক লোইবা অমসুং ঙায়োক ফার্ম কয়া শেমগৎনরকপনা হান্না ষণ খক্তংগী মচিঞ্জাক ওইজরম্বা চেঙকুপ থাউথিগী দিমান্দ হেনগৎলকপা লোয়ননা মমল ৱাংখৎলকপা।

৩) কন্না হৌরক্লিবা মেকানাইজেসনগী ঈহৌনা ষণগী মহুৎ শিন্নবা মেছিন মখল কয়া থোক্লকপা।

৪) খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমদি ষণবু চানবা শা ওন্থোক্তুনা ষণশা চাবগী ঈহৌ তম্পাক লমদা লৈরিবা মীতৈ কম্যুনিতিশিংগী মরক্তসু খংকন কনশিল্লকপা অসিনি।

মথক্কী মরমশিং অসিগী মনুংদগী নম্বর ৩ অমসুং ৪ শুবগী লৌউবদা মেকানাইজেসন তৌবগী ঈহৌ অসিগা ষণবু চানবা শা ওন্থোকপগী ঈহৌ অনী অসিবু ঐখোয়না থাদোকপা ঙম্লবদি ষণগী মশীং অসি খংহেন হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৌমীশিংনা ষণ শীজিন্নবগী চাংসু ৱাংখৎলক্কনি। তশেংনমক মেকানাইজেসন হায়বসিদি মীওই অমগী লৌফম (এরিয়া ওফ লেন্দ হোলদিং) পাক চাউনা-চাউনা লৈবা মফমশিংদা তৌগদবা থবকনি। ঐখোয়গী রাজ্যশিংদদি হৌজিক হৌজিক লৌমী অমগী চাংচৎতা থুংবা লৌফমগী পাক চাউবা অসি পরি অমগী মখাদনি হায়বা য়াই। ঙসিদগী চহী ১০ গী মমাঙ ২০০৫-০৬ তা মণিপুর লৈঙাক্লা পাঙথোকপা ইকোনোমিক সর্ভে অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মতম অদুদা লৌমী অমগী চাংচৎতা থুংবা লৌফমগী পাক চাউবা অসি শুপ্নগী ১.১৪ হেক্তরনি। হায়রিবা মতম অদুদা পঞ্জাব রাজ্যগীনা ৩.৯৫ হেক্তরনি। মরম অদুনা পঞ্জাবগুম্বা রাজ্যদদি মেকানাইজেসন তৌবা নত্তনা ষণখক্তা শীজিন্নরগা লৌ উবা হায়বসি ওইথোক্লোই। মরম অদুনা পঞ্জাবতা মেকানাইজেসনগী ঈহৌ কনখৎখ্রিবনি। অদুমকপু পঞ্জাবতা মেকানাইজেসনগী ঈহৌ কনখৎখ্রে হায়দুনা মণিপুরনা মতৌ তম্বা হায়বসিদি ঐখোয়গী অচৌবা অশোয়বা ওইগনি।

ষণ হৎপা থিংবগী মতাংদদি হন্দক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অকনবা আইন অমা পাস তৌরকখিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়জনীংই। আইন অসিগী মখাদা ষণ হাৎপা অমসুং ষণবু শা হাৎফমদা য়োনবা অনীমক থিংই। আইন অসি মণিপুরদসু ফজনা চৎনবা ঙম্লবদি ষণ মুৎশিল্লকপা অসিদগী কনবা ঙমগনি অমসুং ঐখোয়গী লৌউ শিংউবা অমদি শেনমিৎলোন্দা চাউনা অহোংবা লাক্লগনি। অদুবু লাইবক থিবদি কম্যুনিতি খরগী মীওই খরনা আইন অসিবু য়াম্না শিংনরকপা ঐখোয়না তারে। মখোয়গী মিৎয়েংদি বি জে পিনা হিন্দু লাইনীংগী চৎনবী অমা অতোপ্পা কম্যুনিতিগী মীওইশিংদসু শন্দোক্লবা হোৎনরকপনি হায়না লৌই। মিৎয়েং অদুদগী খরা নাথৈরগা ষণগা ঐখোয়গী লৌউ-শিংউ অমদি শেনমিৎলোনগা লৈনরিবা মরী অমসুং মখোয়বু য়োকখৎতবা য়াদবা অদু খঙমিন্নবগা লোয়ননা মিৎয়েং অদুদগী অমুক্তং য়েংবীবা তারবদি মীপুম খুদিংমক্লা আইন অসিবু শৌগৎনীংগনি।

মীওইবনা হিংনবগীদমক নৎত্রগা চিঞ্জাক্কী মচি ওইবা শরুক ফংনবগীদমক শা ঙাবু চিঞ্জাক ওইনা চাবা হায়বসি পূম্নমক্লা য়ানৈ। অদুমকপু শাশিংগী মীওইবদা চন্নফম খেন্নবগী মতুং ইন্না চাগদবা শা, চারোইদবা শা হায়না খায়দোকপগী ৱাফম অদুনি। ষণ, ইরোই, শগোল, হুই, হৌদোংনচিংবা অসি মীওইবনা অতোপ্পা হীরম কয়াদা শীজিন্নরিবা শাশিংনি। মখোয়বু চিঞ্জাক ওইনা চাথোকপা মতমদা মরম অমা নৎত্রগা অমদা অকায়বা লাকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মরম অসিনা ঐহাক্কী আপিলদি ষণ য়োকখৎমিন্নসি, ষণশা চাবগী হৈনবী থাদোক্লসি, ষণথি-ষণয়ুং অমদি শঙ্গোম মরাং কায়হন্দুনা ঐখোয়গী পোথোক-চাথোক হেনগৎহল্লসি, হকচাং ফবা, ৱাত্ত-পাদবা খুন্নাই অমা শেমগৎমিন্নরসি।

## মশাগী ওইজবা থীদনা পুন্সি কৎখ্রবা রেভল্যুসনরি

# আর্নেষ্টো চে গুইভেরাগী ৮৯ শুবা মপোক নুমিৎ লাকপদা

—সোটিন কুমার—
ফোর্মর নেসনল প্রসিদেন্ট, ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন


*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা)*

গুইভেরা মফম খূদিংমক্তা মীয়ামগী থবক অমদা মথৌ য়াম্না চিনবা মী অমা ওইবদা নত্তনা মালেমগী মমিং লৈরবা রেভল্যুসনগী লাইরিক কয়া পাখি অমসুং লাইরিক্তগী ফংলকপা জ্ঞান অমসুং থবক্কী এক্সপরিয়েন্স কয়ানা পূনশিল্লগা মঙোন্দা লৈরিবা থিওরী অমসুং প্রাক্তিসশিংগী মরমদা অচম্বা ৱাহৈদা মীয়াম খঙননবা ৱারেং, লাইরিক কয়া ইথোক্লম্মী। মহাক্লা ইরম্বা লাইরিক 'গ্লোবেল জস্তিস'দা ফোঙদোক্লম্মী—লেত দ ফ্লেগ অন্দর ৱিছ ৱি ফাইথ বি সেক্রেদ কোজ ওফ দ লিবরেসন ওফ হ্যুমিনিটি। মহাক্কী মমিং পনবা য়াবা ৱারেংদা 'গুরিল্লা ৱারফিয়ার, দি কেদরঃ বেকবোন ওফ দি রেভল্যুসন' 'স্ত্রেতেজী এণ্ড তেক্তিস ওফ দি লেতিন আমেরিকান রেভল্যুসন' নি। ঈনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মহাক্লা হায়রম্মী মদুদি দি বেসিক প্লে ওফ আৱর ৱার্ক ইজ দ য়ুথ, ৱি প্লেস আৱর হোপ ইন ইত টু তেক দ বেন্নর ফ্রোম আৱর হেন্দস।

মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎতুনা মী ওইনা মালেমদা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা মঙোন্দা য়াওজরিবা রেভল্যুসন্নরি স্পিরিত অদুনা মতম কুইনা ক্যুবাদা লৈথবা তৌরমদনা ইম্পরিয়েলিজমগী চৈথেঙনা আফ্রিকাগী তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মীশিংগী অনম-অহা চুরবা পূন্সি মরেল মীকপ থোকহন্নবগী কোঙ্গোদা চৎখিরম্মী। ইন্তরনেস্নেলিস্ত মিসন অমা ওইনা আফ্রিকাগী কোঙ্গোদা মশক লোৎতুনা লৈরিঙৈদা মীয়াম্না মহাক্কী মরমদা নুংনাংবা ফাওখিরম্মী। কুমজা ১৯৬৫, এপ্রিল ১৮ দা ফিদেল কাস্ত্রোদা ফোরেন রিপোর্তরশিংনা চে গুইভেরা কদায়দা লৈরি হায়বগী ৱাহং অমদা কাস্ত্রোনা পাউখুম পীরমখি মদুদি 'রেভল্যুসন তৌবগী খ্বায়দগী দরকার ওইরবা মফমদা চে গুইভেরা মফম খূদিংমক্তা লৈরমগনি।' আফ্রিকাদা চে গুইভেরা লৈরিঙৈগী মতমদা আফ্রিকাগী নেস্নেল লিবরেসন মুভমেন্ত শাগৎতুনা এসিয়া অমসুং লেতিন আমেরিকাদা ইম্পরিয়েলিজম অমসুং নিও-কোলোনিয়েলিজমগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেমগৎপিরম্মী। মহাক্কী হোৎনজমন্না কুমজা ১৯৬৬ কী জানুৱারী তাং ৩-১৪ গী দিসেম্বর থাদা আফ্রিকাদগী লোন্না ক্যুবাদা হল্লক্তুনা বোলিবিয়াদা গুরিল্লা এক্সপিদিসন অমা চৎথনবগী মতম চঙনা শেম-শারম্মী। বোলিবিয়া লৈবাক্কী মিলিতরী দিক্তেতরশিপনা লৈবাক্তুগী শাসনগী চূপ্লী পায়দুনা মীওৎ-মীনৈ চৎথরকপা লায়রবা, লৌমী-শিন্মীশিংগী নীংতম্বা লৈত্রবা অদুগুম্বা শাসন অদুগী মায়োক্তা লান হৌনবগীদমক অখন্নবা গুরিল্লা লান্মী চঙশিনগদৌরিবা মিসন অদুগীদমক চে গুইভেরানা লুচিংদুনা মখোয় কুমজা১৯৬৬, নবেম্বর ৩ দা বোলিবিয়াদা থুংলম্মী। কুমজা১৯৬৭ কী মার্চ-এপ্রিলদা য়ু এস এগী স্পেসিয়েল ফোর্সশিংনা বোলিবিয়াগী আর্মীশিংবু কাউন্তর ইন্সর্জেন্সী ওপরেসন চত্থনবগীদমক তোয়না ত্রেন তৌবিরম্মী। কুমজা১৯৬৭ কী মার্চ ২৩ দা গুরিল্লা মিলিতরী আর্মী কলম অমদা চত্থখি। কুমজা ১৯৬৭, ওক্তোবর ৮ দা য়ুরো হোলোদা চে গুইভেরাগী মী ১৭ না শাবা গুরিল্লা য়ুনিতকা বোলিবিয়া লৈঙাক্কী অচৌবা ফোর্স অমসুং য়ু এস এগী সি আই এগী এজেন্ত রেল্ফ সেলতন্না লুচিংবা অপূনবা খূৎপু অমগা লান থেংনরম্মী। লানফমদা চে গুইভেরা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিরম্মী। মহাক্কী খোঙলোয় অনী ৱিলি অমসুং চিনোগা লোয়ননা য়েক্লবশিংনা ফাখিরম্মী, মথংগী নুমিৎ তাং ৯ গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ৱিলি অমসুং চিনো ৱায়েল বিচার য়াওদনা কাপ্তুনা হাৎখি। লানফমদা শোক্তুনা লানফা ওইরবা চে গুইভেরাবু ৱিলি অমসুং চিনো হাৎলবা মতুংদা মহাক্কী অরোইবা মীকূপ্তা য়েক্লবনা হংখিবা ৱাহং 'নহাক হৌজিক করি খল্লি?' মদুগী পাউখুম ওইনা চে গুইভেরানা খুমখিরম্মী 'হৌজিক ঐনা খল্লি মদুদি রেভল্যুসনগী শিবা নাইবা লৈররোইদবা অদুগী মরমদা...।' সেকেন্দ লেফতিনেন্ত মারিও তেরান্না চে গুইভেরাবু য়ু এস এ অমসুং বোলিবিয়া লৈঙাক্কী ওর্দর মতুংইন্না কাপ্তুনা হাৎখি। মহাক্কী অরোইবা মীকূপ্তা থৌনা লৈনা 'কাপ্পু পাঙদবশা, নখোয় হৌজিক মী অমা হাৎলবনি' হায়না লাউরম্মগা সংসার থাদোকখিরম্মী। মখূৎ চল্লবা মীবু বিচার য়াওদনা তেরোরিস্তকী থবক অমগুম্না হাৎখিবা অদুবু লোৎশিন্দুনা বোলিবিয়াগী আর্মীনা পাউ-চেগী জর্নেলিস্তশিংদা চে গুইভেরা য়ুরো হোলোগী লানফমদা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিখিবনি হায়না লান্না পাউদমখি।

কুমজা ১৯৬৭, ওক্তোবর ৯ গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থৌনা ফনা থৱায় থাদোকখিরম্মী। মশাগী চহী ৩৯ শুবদা মার্ত্যার ওইখিবা য়াওল্লোয় অসিনদি অশিবনা কিহনবা ঙমখিদবা, থৌনা ফনা ইম্পরিয়েলিজমগী মায়োক্তা মান্নবা খুনাই অমগীদমক লাম্বেংনখিরম্মী। তাং ১০ দা চে গুইভেরাগী অশিবা হকচাং লোন্না-থূপ্লা ফুমজিন্দ্রিঙৈদা মহাক্কী মখূদাঙ নাম্মা ককথৎতুনা লৌহৌখি। মদুনা মহাক হাৎখ্রে হায়বগী সাক্ষী ওইগদৌরিবনি। চে গুইভেরাগী অচুম্বা য়ূম্ফমদা তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মীশিংগী সুবিধাদা চৎথরকইবা লালহৌ অদুবু ইম্পরিয়েলিস্তশিংনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবা পাল্লমদে। মরম অদুনা মহাক্কী অশিবা হকচাং মীয়াম খঙনা চীং-লেম্না মথৌ-মঙম পাঙথোকপিদনা লোন্না থূপ্না ফুমজিনখিরম্মী। অদুম ওইনমক মৈবু ফিনা কূপ্পা য়াদবগুম, চে গুইভেরা লৈখিদবা অসিনা য়ু এস এ ইম্পরিয়েলিজমগী হেজিমোনি অফ্রিকা অমসুং লেতিন আমেরিকাদা চৎথরকইবা নিও-কোলোনিয়েলিজম অদু খূমাঙ চাওশিনবা ঙম্লনি খল্লম্মীবা ৱাখলগী ওন্ন-তৈনবদা চে গুইভেরাগী অচুম্বা রেভল্যুসনগী আইদিয়াবুদি মীওই কোতি কয়াগী থম্মোয়দা হিংদুনা লৈহৌরিবা অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখিদে। চে গুইভেরা লৈখিদবগা মরী লৈননা কিউবাদা নুমিৎ ৩০ নি ছূতি থাদোকখি। ওক্তোবর ৯ অসি 'অথৌবা গুরিল্লাশিংগী নুমিৎ' হায়না চহী খুদিংগী পালন তৌরি।

বোলিবিয়াগী থৌদোক অসিনা তাকই মদুদি বোলিবিয়াগী মতমদুগী ফীভমদুদা রেভল্যুসন্নরি সিচুয়েসন মপূং ফাদবা অমসুং বোলিবিয়াগী মীয়ামগী জ্ঞান হান্না তাহন্দনা মখোয়গী পোলিতিকেল কন্সিয়সনেস থাক ৱাংহৌদনা রেভল্যুসনদা মীয়াম হূপ্না শরুক য়াহৌদবা অদুগুম্বা ফিবমদুদা রেভল্যুসন এক্সপোর্ত তৌরুবনা মীয়াম্নসু রেভল্যুসনদা শরুক য়ারুদ্রে, মদুমক্লা বোলিবিয়াগী লৈবাক্তা চে গুইভেরাগী খুদোংথীবা তানবগী মরম ওইখি। লৈবাক অমগী লমদমদুগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা ফাওরকপা মৈরীনা হৌরকপা রেভল্যুসন অদুনা মাঙজিন থাবা মতমদা মীয়াম্না শরুক য়াবা ওইরিবা অদুবু পোৎ অমগুম্না এক্সপোর্ত অমসুং ইম্পোর্ত তৌবা য়াবা নত্তে রেভল্যুসন হায়বসি।





চে গুইভেরাগী অশিবা হকচাং লৈরোন চনখিবরা নৎত্রগা মৈ থাদুনা লোইশিনখিব্রা হায়বদু চহী কয়া খঙদনা লৈরকপদু কুমজা ১৯৯৭ তা বোলিবিয়াগী ভেলেগ্রান্দে মোংফমদা মখূৎ য়াওদবা শরূ পোলাং অমা ফংখিবদু ক্যুবাদা ফোরেন্সিক তেস্ত তৌবদা চে গুইভেরাগী হকচাং ওইরমখি। চহীদুমক্কী ওক্তোবর থাদা চে গুইভেরাগী হকচাং ক্যুবাদা শিন্নরকখিরম্মী অমসুং সান্তা ক্লারাদা ফুমখিরম্মী।

মালেমদা ঙসি ঙসিমক মরুওইবা কন্ত্রাদিক্সনশিং লেপ্তুনা চত্থরি মদুদি—১। ৱার্ল্ড সোসিয়েলিজম অমসুং ইম্পরিয়েলিজম; ২। ইম্পরিয়েলিজম অমসুং দিভেলপ্পিং ৱার্ল্ডগী প্রজা; ৩। ইম্পরিয়েলিস্ত লৈবাকশিংগী মরক্তা; ৪। কেপিতেলিস্ত লৈবাকশিংদা লৈরিবা কেপিতেল অমসুং লেবর কন্ত্রাদিক্সনশিং অসিগী ৱারোইশিন ঙসি ফাওবদা মালেমগী মীয়াম্না থিবদি তোক্ত্রি। সোসিয়েলিজমনা অরোইবা ৱারোইশিন ওইগনি হায়বদা থাজবা থমদুনা মীয়ামগীদমক থৱায় কৎখিবা চে গুইভেরাগী পুন্সি নৈনবনা ইম্পরিয়েলিস্তকী মায়োক্তা সোসিয়েলিজম সমাজ অমগীদমক্তা পন্থুং তান্না চঙশিল্লিবা য়াওল্লোইশিংবু য়াকায়হনগনি।

মশাগী চহী ৩৯ তা ঙাইরিবা অশিবনা কিহনবা ঙমখিদবা রেভল্যুসন্নরি চে গুইভেরাগী পুন্সিগী পাওজেল অদুদি অরেম্বদা তাখিদে। ঙসিদি লেটিন অমেরিকা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা মহাক্ন া সম্রাজাবাদিবু থেংননবা হৌদোকখিবা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসন মথং মথং মায় পাকখ্রে, হৌজিকসু মখা চত্থরি। মহাক্কী লমচৎ-শাজৎ অমদি থবক মতৌ অতাঙবনি। ক্যুবানশিংনা মঙোন্দা থোনখিবা মীং ফাওবা কয়াদা তোপখ্রবা! "চে" হায়বা খোন্থোকসি রেদ ইন্দিয়ান ট্রাইব খরনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। ৱাহৈসি মীওইবনা তোঙান তোঙানবা পূক্লিংগী ইহুলশিং--খংপ্রেক খংবা,অৱাবা, নুংনাংবা, থৌজাল পোকপা, য়ানিংদবা উৎপা কয়াসি ফোঙদোকপদা শিজিন্নবা ৱাহৈনি। চেগী তোপ তোপ্পা মগুণশিং অসি মানা হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবকশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মাগী থোইদোক হেন্দোকপা থৌনা, মরুপ-মপাংশিংদা উৎপা মীনুংশি অমসুং রাজনিতিগী কাংলোন্দা মীৎয়েং শানবা কয়াসি চেগী য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা গুণশিংনি। ঐখোয়না মাগী পুন্সিগী ৱারি নৈনরবদি মাগী তোপ তোপ্পা লিচৎ-শাজৎ অমদি থবক মতৌনা ঐখোয়বু পুংঙক ঙকহনগনি।

চে গুইভেরাগী মমা-মপানা থোনবীবা মীংদি আর্নেষ্টো গুইভেরা দে লাসর্না কৌই। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা চেদা তুংদা মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইরক্কদবগী তোপ তোপ্পা গুণশিং উবা ফংলম্মী। মাগী লিচৎ-শাজৎ অমসুং পুন্সি মরেলসু য়াম্না তোঙাল্লম্মী। চেনা, মীয়াম্না লুনা লৌনরিবা মপান্থোংগী কে-মৌবদা থৱাই লুপলমদে। মহাক্লা ইচম-চম্বা ফিজোল মঞ্জুনদুনা শেগাইরবা ফাওবদা করিসু থৌশাদনা শেৎখি।

চেনা মাগী কমরেদ ইন আর্মশিংদা তোইনা হায়খিবা ৱাহৈদি "রেভল্যুসন্নরি অমনা সন্ন্যাশি অমগী পুন্সি মরেল লেনগদবনি। য়াম্না চম্না হিংগদবনি অমসুং শেঞ্জাও পায়বগী ইনভাইরনমেন্ট শাগৎলোইদবনি।" মহাক্লা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক লৈবাক কয়াগী নীংতম লালহৌ শাগৎপদা মাংজিন থানা চোঙথোরকখ্রিবসি লেটিন অমেরিকাগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা কোইনা চত্তুনা থিজিনবদা উরকপা কয়া—মী ওইনা পোক্লবসু মীমান্নবা ঙমদনা মীনাই নাইথাংগুম হিংননবগীদমক লাম্বেনংরিবা শিন্মী-লৌমীশিং, মখোয়দুগী পুন্সি মহিং উরুবদা মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা লৈতবা সমাজ শেমগৎনবগীদমক অকনবা লাঞ্জং দরকার ওইরে খল্লকপদগীনি।

মশাগী হকচাংগী ফীভম্না অকনবা থবক তৌবা য়াদ্রফাওবদা মাগী অখাবা মরিংজেলনা পল খুদিংমক লান্থোক্লবা হোৎনখি। পীক্লিঙৈদগী লোইনরক্লবা লায়না— এজমানা ফনা য়াম্না অৱাবা পীদুনসু মদুনা মাগী রেভল্যুসনগী থবক্তা অপনবা থোকহল্লমদে। অখন্নমা মশা ফবা নহাশিংগী মশান্না 'রগবী' অসি মাগী য়াম্না পামজবা গেমনি। স্কুল তম্লিঙৈদা ফাওবা অহাংবা মতমদা কিলোমিটর কয়া সাইকল থৌদুনা চৎপসি মাগী হৈনবী ওইরম্মী। মানা পামজবা শান্নবা মখল অমদি ট্রেক্কিংনি। মহাক্লা চহি ২৬ শুরকপা মতমদা লেটিন অমেরিকাগী লৈবাক অয়াম্বা কোইবা লোইরম্মী। চে অফবা মহৈরোয় অমা ওইবতা নত্তনা কান্নবা লাইরিক কয়া পাদুনা অহেনবা জ্ঞ্যান তানশিনবা মীশক্লি। মমা-মপানা শৌগৎপীবদগী ময়ুমদা লাইরিক মখল কয়া য়াওরবা হোম লাইব্রেরী অমা লিংখৎলম্মী। মহাক শৈরেং (কবিতা)দা ঙাওজবা মীশক্লি, পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা শৈরেংনা মাবু শুমহৎখি। বোলিবিয়াগী জঙ্গলদা সি আই এ অমদি বোলিবিয়া লৈঙাক্কী কাউন্টর ইন্সজেন্সি ওপরেশন্দা ফারগা কাপ্তুনা হাৎপা মতমদা মাগী মনগন্দা পোরিবা খাওদা লাইরিক অনী য়াওরম্মী। অমনা য়াম্না মমিং লৈরবা বোলিবিয়ান দাইরীনি, অতোপ্পা অমদুনা মানা পামজবা শৈরেংশিং ইবা নোটবুকনি। মানা য়াম্না পামজখিবা কবিশিংদি গাসির্য়া লোরকা অমসুং পাব্লো নেরুদানি।

চেনা লেটিন অমেরিকাগী মীওইশিংনা সম্রাজ্যবাদি অমেরিকাগী হুইরোই ওইনা থল্লিবা লাটিফুন্দশিংনা তমথিরবা নিয়মশিং শীজিন্নদুনা লৈঙাক্তুনা মীচম মীয়ামদা খম থেংনা ৱাবদু উবা ঙম্লমদে। মতমদুদা লেটিন অমেরিকাসি য়ু এস এগী শান্নবুং ওইনা লৌনরম্মী হায়বদি মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা মওংদা শাসন চত্থরম্মী। চেনা গুইতেমালাদা ডাক্তর ওইনা থবক তৌরিঙৈদা ইম্পরিয়েলিজমগী শাংদোরক্লিবা মখুৎ তশেংনা উবা ফংখি। মীয়ামগী ভোটনা দেমোক্রেটিক গভর্নমেন্ট অদুগী প্রসিদেন্ট আরবেনজন্না লৈঙাক চল্লাইরিবা অদুবু রিএক্সনরী ফোর্সশিংনা অমেরিকাগী ইম্পরিয়েলিজমগী মতেংগা লোইননা কু চত্থদুনা লৈঙাক ইন্থুখি।

ফিদেলনা চেগা পুনমিন্নখিবগী মরম অমসুং চে উবদা মঙোন্দা ফাওরকপা ইথিলশিংগী মরমদা অসুম্না হায়খি "চেনা ঐঙোন্দগী হেন্না মপুং ফাবা রেভল্যুসনগী ৱাখল্লোন চেল্লি। আইদোলোজি অমসুং থিওরিগী মতাংদসু চাংদম্নবা য়াদনা হেল্লি। ঐগা চাংদম্নবদা মহাক অসি হেন্না খুমাং চাওশিল্লবা রেভল্যুসন্নরিনি।"

মাগী পুন্সিগা কোন্নরবা এজমাগী লায়নানা মরম ওইদুনা লাম্থেংনবদা ইপাঙ-পাঙবা ঙমদ্রবসু চে পোরম য়াৎপা হৈবা লিদর ওইরম্মী। গুইরিলা ৱারফেয়ারগী মরুওইবশিং মানা ইরম্বা লাইরিকশিং —"ইপিসোদস ওফ রেভল্যুসন্নরি ষ্ট্রগল", "গুরিল্লা ৱারফেয়ার" অমসুং "বোলিবিয়ান দাইরি" দা শন্দোক্লা মচা খায়না ইরমখি। লাইরিকশিং অসি নৈনবদা চেনা গুরিল্লা লাল্লোংদা কদায় য়ৌনা হৈশিংবগে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। চেনা হায়খি "গুরিল্লা ঈহৌ অমগী অহানবা অমসুং মরুওইবা য়ুম্ফমদি খ্বায়দগী অরোনবনি।"

অচেৎপা ৱাশক্লা লোইননা চে অমদি অতৈ রিভোলুশন্নরিশিংনা মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা থেংনদুনা, থৌনা লৈনা পুন্সি কৎখিবগুম ঐখোয়সু ঙসি ঙসিমক খুন্নাইশিদা থেংনরিবা, লৈবাক্কী ওইরক্লিবা তংদু-লৈতাদ্রবা ফিভম অসি কোকহন্দুনা অওনবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা পুন্না থেংনমিন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌরসি।